# বোক্সিং অমসুং ব্রিদজ মশান্নদনা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেদল ২ ফংখ্রে, স্কৱাশতা সিলভর ১, হোক্কীদা ব্রোঞ্জ ১ লৌখ্রে

18th ASIAN GAMES Jakarta Palembang 2018



বোক্সিংদা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা গোল্ড মেদল ফংখিবা অমিত পনঘাল

জকরতা/পালেম্বাং, সেপ্টেম্বর ১ (এজেন্সী) ঃ ইন্দোনেসিয়ানা যূম্নু ওইরগা পাঙথোক্লিবা ১৮ শুবা এসিয়ন গেমসকী ঙসি ১৪ নি শুবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোক্সিং অমসুং ব্রিদজ দিসিপ্লিনদা গোল্ড মেদল অমমম লৌখ্রে। নুপীগী স্কৱাশ টিমনা সিলভর ১ অদুগা নুপাগী হোক্কী টিমনা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা বোক্সিং দিসিপ্লিনগী নুপাগী কেজি ৪৯ গী লাইট ফ্লাইৱেট কেটিগরিদা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা বোক্সর অমিত পনঘালনা ওলিম্পিক অমসুং এসিয়ন চেম্পিয়ন ওইরিবা উজবেকিস্টানগী বোক্সর হসনবোই দুসমাটোবপু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল অমা লৌদুনা এসিয়ন গেমসকী পুৱারীদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙন্থা ইন্দিয়াগী নিপানশুবা বোক্সর ওইখি।

ব্রিদজ মশান্নদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা চহী ৬০ অমসুং ৫৬ শুরবা প্রনব বর্ধন অমসুং সিবনাথ সরকারনা নুপাগী প্যের ইভেন্টতা চাইনাগী লি জিন য়াং অমসুং গাং চেনবু মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেদল অমা লৌখি। পনবা য়াই, প্রনব বর্ধন ইন্দিয়াগী ১৮ শুবা এসিয়ন গেমস অসিদা শরুক য়ারিবা মেম্বরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চহী য়াম্বা শান্নরোয় ওইখি।



ব্রিদজ মশান্নদা গোল্ড লৌখিবা ইন্দিয়াগী প্রনব বর্ধন অমসুং সিবনাথ সরকার

নুপীগী স্কৱাশ টিমগী ফাইনেল মেচতা ঙসি ইন্দিয়াগী জোস্না চিনাপা, দিপিকা পলিকল, তানবী খন্না অমসুং সুনেনা পুরুভিলানা ফাইনেলদা হোং কোংগী টিমগা লম্বা তৌনবদা মায়থীহৌবদগী সিলভর মেদল ফংখি। ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবী জোস্না চিনাপা অমসুং সুনেনা পুরুভিলানা শান্নখিবা মখোয়গী সিঙ্গলস মেচ অদু মায়থীবা নংখিবদগী হোং কোংনা গোল্ড মেদল লৌরগা মখোয়না সিলভর মেদল ফংহৌবনি।

এসিয়ন গেমস অসিদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টিম ওইনা শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা ঙসি শান্নখিবা ব্রোঞ্জ মেদলগী মেচতা পাকিস্টানবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। ইন্দিয়াবু সেমি ফাইনেলদা মলেসিয়াগী টিমনা মায়থীবা পীরম্বনি।

**2018 Asian Games Medal Tally**

| Rank | Country | Gold | Silver | Bronze | Total |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | China | 132 | 92 | 65 | 289 |
| 2 | Japan | 74 | 56 | 74 | 204 |
| 3 | South Korea | 49 | 57 | 70 | 176 |
| 4 | Indonesia | 31 | 24 | 43 | 98 |
| 5 | Uzbekistan | 21 | 24 | 25 | 70 |
| 6 | Iran | 20 | 20 | 22 | 62 |
| 7 | Chinese Taipei | 17 | 19 | 31 | 67 |
| 8 | India | 15 | 24 | 30 | 69 |
| 9 | Kazakhstan | 15 | 17 | 44 | 76 |
| 10 | DPR Korea | 12 | 12 | 13 | 37 |
| 11 | Bahrain | 12 | 7 | 7 | 26 |
| 12 | Thailand | 11 | 16 | 46 | 73 |
| 13 | Hong Kong | 8 | 19 | 19 | 45 |
| 14 | Malaysia | 7 | 13 | 16 | 36 |
| 15 | Qatar | 6 | 4 | 3 | 13 |
| 16 | Mongolia | 5 | 9 | 11 | 25 |
| 17 | Vietnam | 4 | 16 | 18 | 38 |
| 18 | Singapore | 4 | 4 | 14 | 22 |
| 19 | Philippines | 4 | 2 | 15 | 21 |
| 20 | UAE | 3 | 6 | 5 | 14 |
| 21 | Kuwait | 3 | 1 | 2 | 6 |
| 22 | Kyrgyzstan | 2 | 6 | 12 | 20 |
| 23 | Jordan | 2 | 1 | 9 | 12 |
| 24 | Cambodia | 2 | 0 | 1 | 3 |
| 25 | Saudi Arabia | 1 | 2 | 3 | 6 |

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৭৮

১। মহাক ৱর্ল্ড রেকোর্দ অহুল্লক থুগাইখি, এসিয়ন গেমস অহানবা ওইনা শরুক য়াবদা হান্নগী রেকোর্দ থুগাইদুনা সনাগী মেদল ফংখি। এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ অনীরক, এসিয়ন গেমস অনীরক্তা সনাগী মেদল ফংখিবা, এসিয়ন রেকোর্দ চহী ২৫ হেন্না পায়খিবা এথলেট অদু কনানো?

২। অসাম ওলেম্পিক এসোসিএসনগী অহানবা প্রসিদেন্ট (ফাউন্দর প্রসিদেন্ট) অদু কনানো?

৩। মহাক ওলেম্পিক্কী থৌরম অহুমদা মকোক ওইখি। থৌরম অমদা অনীশুবা তাখি। মরৈবাক্তা হল্লক্লবা মতুংদা কম্পিটিসন য়াওবা চহী অনী থিংখি। নাজিগী কন্সেনত্রেসন কেম্পতা অনীশুবা লাঞ্জাওদা শিখি। মহাক জিউনি। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪। মহাক্না অহানবা ওইনা ওলেম্পিক্তা শরুক য়াবদা সনাগী মেদল ফংখি। মদুদা অনীশুবা তাখিবা লমজেল্লোয় অদুগা রেকোর্দ চপ মান্নখি। মথংগী ওলেম্পিক গেমসতসু অনীশুবা তাখিবা লমজেল্লোয় অদুগা রেকোর্দ চপমান্ননা লমথুংফম য়ৌখ্রবসু মহাক্না মকোক ওইখিবা লমজেল্লোয় অদু কনানো?



৫। ফুটবোল টিম অনীগী শান্নরোয়শিংগী পূন্না নমিন্নবা ফোটো অমা পীরিবা অসিদা টিম অমদি নামিবিয়ান লিজেন্দস (Namibian Legends) নি। অতোপ্পা টিম অসিগী মমিং পীয়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ষ্টেট রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচ এন এস) ঃ

মণিপুর রেষ্টলিং এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা সেপ্টেম্বর তাং ১ দগী ২ ফাওবা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথুগদৌরিবা ১৪ শুবা মেন, জুনিয়র বোইজ, সব-জুনিয়র বোইজ, ১২ শুবা ৱুমেন, জুনিয়র, গর্লস, সব-জুনিয়র গর্লস অমসুং অহানবা চহী ১৫ মখাগী বোইজ এন্দ গর্লস ষ্টেট রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ হৌদোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা য়ুনিট ৬ কী নুপা অমসুং নুপী রেষ্টলর ৯১ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ১৪ শুবা মেন, জুনিয়র বোইজ, সব-জুনিয়র বোইজ, ১২ শুবা ৱুমেন, জুনিয়র গর্লস, সব-জুনিয়র গর্লস অমসুং অহানবা চহী ১৫ মখাগী বোইজ এন্দ গর্লস ষ্টেট রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা বি জে পি, মণিপুর প্রদেশকী সেক্রেটরি মোইরাংথেম প্রফুলো, মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসন (এম ও এ) গী ফোর্মর সেক্রেটরি ৱাই বুধচন্দ্র অমসুং এম ও এগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে জয়ানন্দা শর্মানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী হৌদোকপা নুমিৎতা চহী ১৫ মখাগী নুপাগী কেজি ৪৪ গী কেটিগরিদা আর সী সীগী কে ঐচ রোনিটনা গোল্ড, এন এস এগী এন লমঙানবনা সিলভর অমসুং আর সী সীগী কে বোইনাওনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

চহী ১৫ মখাগী নুপীমচাগী কেজি ৩৩ গী কেটিগরিদা এন এস এগী লুৱাং চনু সোফিয়ানা গোল্ড অমসুং এন এস এগী ৱাই মিনাকসিনা সিলভর লৌখি।

কে জি ৩৯ গী কেটিগরিদা এন এস এগী টি ঐচ লিংজেল থোইবীনা গোল্ড অমসুং এন এস এগী লুৱাং চনু লিন্থোইনা সিলভর লৌখি।

ঙসিগী অরোইবা অমদি কেজি ৩৮ গী কেটিগরিগী মেচতা এন এস এগী গোপিন মোংজমনা গোল্ড, এন এস এগী এন ব্রুসলিনা সিলভর অমসুং এন এস এগী এন নেপোলিয়ন অমদি আর সী সীগী এল গৌতম শর্মানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

## মণিপুরগী চেছ শান্নরোয়শিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১(ঐচ এন এস)ঃ হরিয়ানাগী সোনিপট সিটিদা লৈবা সেক্টর ১১গী গেটৱে এদজুকেসনদা থা অসিগী ৩দগী ১১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৯শুবা নেসনেল অন্দর ১৭ ওপন অমসুং গর্লস চেছ চেম্পিয়নসিপ ২০১৮দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে। টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরগী ওপন কেটিগোরিগী শান্নরোয়শিং অদুদি নাওরেম ছা য়োইহেম্বা অমসুং বিন্টু রাজকুমারনি। মণিপুরগী টিম অসিগী টিম মেনেজর ওইনা আর কে ভোগেননা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরি হায়না এদ-হোগ কম্মিতি চেছ মণিপুরগী চ্যেরমেন লাইশ্রম অতেম্বিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## স্পোর্ট ক্লাইম্বিং কোর্স পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১(ঐচ এন এস)ঃ মণিপুর স্পোর্ট ক্লাইম্বিং এসোসিএসন (এম এ এস সী এ) না শীন্দুনা মিনুথোংগী মখা থংবদা লৈবা কংলা আর্টিফিসল ক্লাইম্বিং ৱালদা সেপ্টেম্বর ১৪ দগী ২০ ফাওবা ৪৯ শুবা স্পোর্ট ক্লাইম্বিং কোর্স পাঙথোক্লগনি। কোর্স অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা এম এ এস সী এগী ওফিসতগী নৎত্রগা এম এম টি এ কমপ্লেক্স মিনুথোংদা এপ্লিকেসন ফোর্ম লৌদুনা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১২ গী মনুংদা ফোর্ম সবমিট তৌবা য়াগনি হায়না মণিপুর স্পোর্ট ক্লাইম্বিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি নিংথৌজম অজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## এসিয়ন বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী বোদি বিল্ডরশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচ এন এস) ঃ পুনেগী মহালুঙ্গেদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫২ শুবা এসিয়ন বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়ন্সিপতা মণিপুর ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদবা শাফবা অমদি শাফবীশিং খনখ্রে।

ছটিসগরগী রাইপুরদা ওগষ্ট ৩১ দগী সেপ্টেম্বর ১ ফাওবা ৫২ শুবা এসিয়ন বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী বোদিবিল্ডিং টিম শেম্নবা ত্রায়ল সেলেক্সন অমা ছটিসগর প্রদেশ বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসননা শীন্দুনা ইন্দিয়ন বোদি বিল্ডর্স ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখি।

য়ুনিট ৩৩ অমদি অতোপ্পা স্পোর্টস বোর্দ সী আর পি এফ, সর্ভিসেস অমদি রেলৱেজকী নুপা অমসুং নুপী বোদি বিল্ডর ৪৬০ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ত্রায়ল সেলেক্সন অদুদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্নবা খল্লক্লবা মণিপুরগী বোদি বিল্ডরশিং অদুদি জুনিয়রগী কেজি ৭৫ গী এল দিনেস অমদি হেনরি হাওকিপ, জুনিয়র কেজি ৭৫ মথক্কীদা এন রাকেশ অমদি এল হেনরি শর্মা, নুপীগী কেজি ৫৫ মখাগীদা টি ঐচ সরিতা, কেজি ৫৫ মথক্কীদা দল্লিয়ু জমুনা অমদি কে রোবিতা, জুনিয়র ৱুমেন ফিজিকতা জানসি মাইস্নাম, সিনিয়র কেজি ৫৫ দা এল নেতা, কেজি ৬০ গীদা এল রোবর্ট মৈতৈ, কেজি ৭০ গীদা এ বিকান্দ, কেজি ৭৫ গীদা কে অর্নোল্ড অমদি কেজি ৭৫ গীদা এনজি সুরচন্দ্রনি।

মণিপুরগী টিম কোচ ওইনা জুনিয়র মিষ্টর এসিয়া ওইবতা নত্তনা ইন্টর্নেসনল জজ এন কিষন অমসুং টিম মেনেজর ওইনা জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া ওইবতা নত্তনা নেসনল জজসু ওইরিবা ৱাই সুনন্দসু চেম্পিয়ন্সিপ অসি মণিপুরগী বোদি বিল্ডর টিমগী ওফিসলশিং ওইনা শরুক য়াগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরগী টিমদা নত্তনা অতোপ্পা য়ুনিটতা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুর মচাশিং অদুদি দিল্লি ষ্টেটতা জুনিয়র কেজি ৭৫ মথক্কীদা টি ঐচ গনেন্দ্রো, দিল্লি ষ্টেটতা ৱুমেন ৫৫ কেজি মথক্কীদা ৱাই মোমোতা, সর্ভিসেসতগী সিনিয়রদা ৱাসমির, রেলৱেজতা সিনিয়র ৮০ কেজিগী এ বোবি অমদি এন সুর্বোনি হায়না ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফ্যের এসোসিএসন (এ এম জি দল্লিয়ু এ) গী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই সুনন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ওল মণিপুর সেপাক তাক্রো এসোসিএসননা এসিয়ন গেমস শরুক য়ারুবশিংবু থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচ এন এস) ঃ

ইন্দোনেসিয়াগী সিটি অনী জকরতা অমসুং পালেম্বাংদা পাঙথোক্লিবা ১৮ শুবা এসিয়ন গেমস ২০১৮ অসিদা ইন্দিয়াগী সেপাক তাক্রো টিমদা মণিপুরগী সেপাক তাক্রো শান্নরোয় অয়াম্বা খল্লকপদা নত্তনা এসিয়ন গেমসতা শরুক য়াদুনা টিম অসিনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকপা ঙল্লকপা অসিদা ওল মণিপুর সেপাক তাক্রো এসোসিএসন (এ এম এস টি এ) না হরাওবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

লোয়ননা সেপাক তাক্রো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এস টি এফ আই) না ঙসিগী ফিভম অসি য়ৌনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকপগীদমক এ এম এস টি এগী মায়কৈদগী তৌবীমল খঙবা উৎচরি হায়না ওল মণিপুর সেপাক তাক্রো এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি পি দুরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## এন কে হায় স্কুল, জয় হিন্দ গভর্নমেন্ট হায় স্কুল অমসুং নোংচুপ ইম্ফাল শগোলতোংবা মায় পাকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচ এন এস) ঃ

য়ুথ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী হোক্কী এষ্ট্রো টর্ফতা পাঙথোকপা নুপামচাগী চহী ১৫ মখাগী অমদি চহী ১৭ মখাগী অমদি নুপীমচাগী চহী ১৭ মখাগী ষ্টেট লেভেল ইন্টর স্কুল জে এন হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী চহী ১৫ মখাগী মেচশিংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এন কে হায় স্কুল, ইম্ফাল ৱেষ্টকী নোংচুপ ইম্ফাল শগোলতোংবা অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী জয় হিন্দ গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল মায় পাকখ্রে।

নুপামচাগী চহী ১৫ মখাগীদা টিম ৫, চহী ১৭ মখাগীদা টিম ৪ অমসুং নুপীগী চহী ১৭ মখাগীদা টিম ৫ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ষ্টেট লেভেল ইন্টর স্কুল জে এন হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী নুপামচাগী চহী ১৬ মখাগী ৩ শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এন কে হায় স্কুলনা বিষ্ণুপুরগী দ সাইনিং ষ্টার একাদেমিবু গোল ৩-২ দা, অনীশুবা গ্রাউন্দদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নোংচুপ ইম্ফাল শগোলতোংবনা বিষ্ণুপুরগী সাইনিং ষ্টার একাদেমিবু গোল ৮-০ দা অমসুং কেটিগরি অসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা ইম্ফাল ইষ্টকী জয় হিন্দ হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী হিয়াংলম হায় স্কুলবু গোল ১৯-০ দা মায়থীবা পীখি।

নুপীগী চহী ১৭ মখাগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা ইম্ফাল ইষ্টকী জয় হিন্দ গভর্নমেন্ট হায় স্কুলনা বিষ্ণুপুরগী সাইনিং ষ্টার একাদেমিবু গোল ৫-০ দা, অনীশুবা গ্রাউন্দদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নোংচুপ ইম্ফাল শগোলতোংবনা থৌবালগী এন কে হায় স্কুলবু ৩-০ দা অমসুং অহুমশুবা গ্রাউন্দদা বিষ্ণুপুরগী সাইনিং ষ্টার একাদেমিনা ককচিংগী হিয়াংলম হায় স্কুলবু গোল ৫-০ দা মায়থীবা পীখি।




## থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা শেলগী মনা লৈবা ষ্টেট ওপন টেবল টেন্নিস পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১(ঐচ এন এস)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেন্নিস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না থা অসিগী ২০দগী ২৩ ফাওবা থৌবালদা লৈবা ইন্দোর ষ্টিদিয়মদা শেলগী মনা লৈবা ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৮ পাঙথোক্লগনি হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেন্নিস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

টুর্নামেন্ট অদুদা মণিপুর টেবল টেন্নিস এসোসিএসনগী মনুং চন্না রেজিষ্টার তৌরবা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াগদৌরিবা ইভেন্টশিং অদুদিঃ সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা কেদেট বোইজ অমসুং গর্লস, সব-জুনিয়র বোইজ অমসুং গর্লস, জুনিয়র বোইজ অমসুং গর্লস, য়ুঠ বোইজ অমসুং গর্লস অমসুং সেনিয়রগী নুপা অমসুং নুপীগী কম্পিটিসননি। টুর্নামেন্ট অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা দবলসকী ইভেন্টশিং অদুদি- সব-জুনিয়র বোইজ অমসুং গর্লস, জুনিয়র বোইজ অমসুং গর্লস, য়ুঠ বোইজ অমসুং গর্লস, মেন্স অমসুং ৱুমেন্সকী দবলস অমসুং মিক্স ডবলসকী লম্বা ওইদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা ইম্ফালগী দি এম কলেজ কমপ্লেক্সকী ইন্দোর ষ্টিদিয়মদা লৈবা মণিপুর টেবল টেন্নিস এসোসিএসনগী ওফিস অমসুং থৌবালদা লৈবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেন্নিস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোর্ম লৌরবা য়াগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

## থা অসিগী ৮দগী টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১(ঐচ এন এস)ঃ শীংজমৈ চীংঙামথক্কী চোংথাম লৈকাইদা লৈবা কংলৈ চেছ একাদমীনা শীন্দুনা ২০শুবা চহী ১৫ মখাগী সর্টেদ অমসুং সন্দে রোরিদ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৮ থা অসিগী ৮গী নূংথিল পূং ৪.৩০ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়না একাদমী অসিগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি এপোলোস্না মঙাংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ৭ ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা চে-চাং পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি। টুর্নামেন্ট অসি শান্নরোয় ১৮গী ওইবা লম্বা মরম ওইদুনা অহানবা লাকপা শান্নরোয়শিংদা খুদোংচাবা পীগদৌরি।

HL-B/4720/24/6-21/08 (alt.)




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com